# শগোল কাংজৈ পেরিস ওলিম্পিক্তা য়াওহনখিবা - ১

- লৈশাংথেম অজিৎ -

অহানবা ওলিম্পিক গেমস ১৮৯৬তা এথেন্স সহরদা মায় পাক্না পাঙথোকখ্রবা মতুংদা মথংগী গেমসতি কুমজা ১৯০০দা পেরিস সহরদা পাঙথোকখিবা গেমস অদু য়াম্না চরক-চহিং নাইবা মওংদা মে ২০দগী ওক্তোবর ২৮ ফাওবা চত্থরম্মী। মসি থা মঙাগা নুমিৎ ৮নিগী মতমনি। মালেমদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসকী মনুংদা খ্বাইদগী মতম শাংনা পাঙথোকখিবা গেমস ওইরি। প্রোফেসনেলশিংগীদমক তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোক্লম্মী। মশান্না খরদি ওফিসল ওইনা লৌখিদে। মশান্না খরনা ওফিসল ওইনা লৌখি। অহানবা ওলিম্পিক্তা থৌরম মাপনগী অথোই-অহেন তানহল্লি। অদুবু পেরিসতদি অনৌবা মশান্না কয়ামুক হাপচিল্লক্তুনা ওলিম্পিক্কী থৌরম মশীং হেঙ্গৎলম্মী। মণিপুরগী শগোল কাংজৈসু অনৌবা থৌরমশিং অসিগী মনুংদা মরু ওইবা মশান্না অমা ওইরম্মী। অতৈ নৌনা হাপচিল্লকপশিংদি মণিপুরগী ফুটবোল, ৱাটর পোলো, হি হোনবা, ক্রিকেট, ক্রোকেট (Croquet) , রগবি, থৌরি চিংনবী, ইক্বেষ্টরিয়ন অমসুং গোল্ফনি। মখোয়গী মনুংদা ফুটবোল, ৱাটর পোলো, হি হোনবা অমসুং ইক্বেষ্টরিয়নদি তুং কোয়না ওলিম্পিক্কী থৌরম ওইখি। অদুবু অতৈদি পেরিস গেমসকী মতুংদা ওলিম্পিক্কী মনুং চনবা মশান্না ওইহনখিদ্রে।

লৌথোকখ্রবা মশান্নশিং অদুদি ক্রিকেট, ক্রোকেট অমসুং নুপীগী গোল্ফনি। ক্রিকেট ইংলিসকী লোয়লমদা য়াম্না পাম্নমনা শান্নবা মশান্না ওইরম্মী। তৌইগুম্বসুং পেরিস ওলিম্পিক্সতা ইংলিসকী লোয়লমশিং মশীং য়াম্না শরুক য়াদবা মরম্না গ্রেট বৃটেন অমসুং ফ্রান্সতমক মশান্না অসিদা শরুক য়ারম্মী। গ্রেট বৃটেন্না ফ্রান্সপু রন ২৬২-১০৪দা মায়থীবা পীখি। ক্রোকেত্তা ফ্রান্সতমক শরুক য়াখি। অদুবু নুপীগী গোল্ফতা গ্রেট বৃটেন, য়ু এস এ অমসুং ফ্রান্সতগী শান্নরোয় ১২না লম্বা তৌনখি। শগোল কাংজৈ (১৯৩৬), রগবি (১৯২৪), থৌরি চিংনবী (১৯২০) অমসুং নুপাগী গোল্ফ (১৯০৮) সু তপ্না তপ্না ওলিম্পিক্তগী মাঙখি। অহানবা ওলিম্পিক গেমসতা য়াওখিবা ষ্টেটশিং অমসুং অরূম্বা থাঙ্গৎপা অনীশুবা গেমস অসিদা য়াওহনখিদে। গেমস অসিদা পাঙথোকখিবা থৌরম খরদি ওফিসল ওইহনখি। থৌরম খরনা ওফিসল ওইহনখিদে।

পেরিস ওলিম্পিক্তা লৈবাক ২২দগী নুপা ১৩১৯ অমসুং নুপী ১১না শরুক য়াদুনা নুপীনা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবা য়ারমদবগী চৎনবী অদু ইহান হান্না থুগাইখি। মমাঙৈদা গ্রিসকী ওলিম্পিয়াদা পাঙথোক্লম্বা ওলিম্পিক গেমসতা নুপীনা শরুক য়াবসু য়ারমদে। ওলিম্পিক য়েংবসু থিংলম্মী। করিগুম্বা জজনা নৎত্রগা লৈবাক্না কনাগুম্বী নুপী অমবু ওলিম্পিক য়েংবা থেংনরবদি শিবগী চৈরাক পীবগী চৎনবী লৈরম্মী। চৎনবী অদু পেরিসতা হোংদোকখি। গেমস অসিদা নুপীগী থৌরম অনী হাপ্লম্মী মদুদি তেনিস অমসুং (গোল্ফ) নি। গ্রেট বৃটেনগী চারলোট - কুপরনা নুপীগী টেনিস সিঙ্গলসতা মকোক ওইদুনা নুপীলক্তগী অহানবা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইখি। মহাক্না ফ্রান্সকী হেলেন প্রিভোলটপু ফাইনেলদা ৬-১ অমসুং ৬-৪দা মায়থীবা পীখি। মিক্স দবলসতসু মহাক্না রেগী-নালদ-দোহরতিগা মীচং ওইদুনা সনাগী মেদল অমগসু ফংখি। পেরিসতা লাকপা মতমদা মহাক হান্ননা ৱিমল্লেদন সিঙ্গলসতা অহুম্লক চেম্পিয়ন ওইখি। ওলিম্পিক মতুংদা মহাক লুহোংখি। মতুং তারকপদা কুমজা ১৯০১ অমসুং ১৯০৮দা ৱিমল্লেদন সিঙ্গলস অনীরক অমুক চেম্পিয়ন ওইখি।

ওলিম্পিক অসিদা সনাগী মেদল ফংখিবী নুপী অমদি অমেরিকাগী মারগারেট-অববোটনি, মহাক্না গোল্ফতা পোইন্ট ৪৭ ফংদুনা মকোক ওইখি অমদি মহাক অমেরিকাগী নুপীশিংগী মনুংদা সনাগী মেদল ফংখিবী অহানবা ওলিম্পিক্কী শান্নরোয়নি। নুপীগী গোল্ফ গেমস অসি মসিগী মতুংদা চহী ১০০ হেন্না ওলিম্পিক্কী থৌরমদগী লৌথোকখি।

চিকাগো সহরদগী ফুট ৫ ইঞ্চি ১১ ৱাংবী চহী ২২ শুরবী মারগারেট অববোট পেরিসতা আর্টস (লাইয়েকপা) তম্বা চৎপদা মমাগা লোয়ননা চৎলম্মী। মরম অদুনা গেমস অসিদা মমা-মচা অনীমক নাইন-হোল রাউন্দ গোল্ফকী অথোই অহেন তান্নবদা শরুক য়ারম্মী। মহাক্কী মমা মেরি-ইদেন-অববোট নোভেল ইবি অমদি এদিটরসু ওইরম্মী। ওলিম্পিক অমদা মমা-মচা পূন্না শরুক য়ামীন্নখিবী অসি মারগারেট অমসুং মেরিগী মমা-মচা অনী অসিনা অহানবনি। মেরি তরেৎশুবা পোজিসন ফংখি। মচানুপী মারগারেট মমিং চৎপা নুপা ফিনলে-পেটর-দুন্নে কৌবা অমদা লুহোংখি। কুমজা ১৯৫৫দা শিখিবা মতম ফাওবদা মহাক্না শরুক য়াখিবা অদু ওলিম্পিক্কী থৌরমনি হায়বা খঙখিদে। মহাক্না হায়খিবদি গোল্ফ শান্নবা নুমিত্তা ফ্রান্সকী শান্নরোয়শিংনা গোল্ফ করম্না শান্নগনি হায়বা থোইনা খঙলমদবনা য়াম্না টাইট ওইবা (হকচাংদা তপ নপ্পী) ফিজোল শেত্তুনা খোঙউপ অৱাংবী তোংদুনা লাকখি। নুপাগী গোল্ফ কুমজা ১৯০৮গী লন্দন ওলিম্পিক ফাওবা চত্থখি। গ্রেট বৃটেনগী চার্লেস-সেন্দরস সেন্দসনা নুপাগী গোল্ফতা মকোক ওইখি।

এথলেটিক্সতা আমেরিকা মচাশিংবু থিংবা য়াম্না ৱানা থোকই। মখোয়গী অকনবা লম্বাদি গ্রেট বৃটেন অমসুং ফ্রান্স ওইরম্মী। পেরিসকী Bois De Boulogne গী Croix Catelan কৌবা নাপী অমসুং উ পাম্বী য়াম্না হৌবা মফমদা লৈবা লম্পাক অমদা মিটর ৫০০গী ত্রেক অমা য়েল্লগা এথলেটিক্সকী থৌরম পাঙথোক্লম্মী। উ পাম্বীশিং অদুনা দিস্কস অমসুং হেম্মর লংবদা য়াম্না খুদোংচারমদে। অদুবু এথলেটিক্সকী থৌরমশিংদা মীয়াম্না থৱায় য়াম্না য়াওনা নোংমদা মীৎয়েংলোই লিশীং অহুমদগী তাদনা য়েংলম্মী।

ওলিম্পিক অসিদা খ্বাইদগী মমিং চৎখিবা শান্নরোয়দি অমেরিকাগী Alvin Kreanzlein ওইরম্মী। মহাক্না মিটর ৬০গী লমজেল, মিটর ১১০ অমসুং মিটর ২০০গী হরদলস অমদি লোঙজম্পতা মকোক ওইদুনা সনাগী মেদল মরি ফংখি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### বনমোহটসবকী থৌরম লোইশিনবগা লোয়ননা উ চারা থাখ্রে, এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসর (দি এফ ও) থৌবাল দেবলা লাইফ্রাকপমগী মীৎয়েং মখাদা য়াইরিপোক য়ুনিভর্সেল কোলেজ অমসুং কোলেজ অদুগী এন এস এস য়ুনিটনা শীন্দুনা ৭১শুবা বনমোহটসব, ২০২০গী থৌরম লোইশিনবগা মরী লৈননা ঙসি ৱাংখেম হুইদ্রোম লৈকায়দা লৈবা কোলেজ অদুদা পাঙথোকপগা লোয়ননা উ চারা কয়ামরুম থাজিনখ্রে, এৱার্দসু য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা য়াইরিপোক য়ুনিভর্সেল কোলেজকী চ্যেরমেন অদুগা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী স্পোক্সপর্সনসু ওইরিবা প্রোফেসর ডা. নিমাইচান্দ লুৱাং, ভাইস চ্যেরমেন ডা. এম রাজেন্দ্র, দি এফ ও থৌবাল লাইফ্রাকপম দেবলা আই এফ এস, এস দি ও/বি দি ও থৌবাল ময়েংবম ইঙোচা এম সী এস, এদিসনেল এস পি (ওপস) থৌবাল সচিদানন্দ সোইবম, দি এস পি (ওপস) থৌবাল এ খেলেন্দ্রো, এসিষ্টেন্ট কঞ্জর্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট থৌবাল ভানৈ চোঙ সিংসন অমদি ইম্ফাল কোলেজকী থবক্তগী পোথারবা প্রিন্সিপাল এল রনধোনিনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা কোলেজ অদুগী বোটানিকেল গার্দেনগী কেম্পস মনুংদা উ চারা কয়ামরুমসু থাজিনখি। হৌজিক মালেমগী ওইনা অঙৈং অশাগী খল কায়থরক্লিবা অসিগী মরম মীয়াম্না খঙনরবা ঙাক্তনি। অসিগুম্বা মীয়ামগী ওইবা ইস্যু অসি থেংনবদা ঐখোয় ইশা-ইশানা মরু ওইনা হৌরক্লিবা নহাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদ্রগদি মহৌশাগী খল অসি ঙাকপা ঙমলোই হায়রদুনা মহৌশাগী খল ঙাক্লবা হোৎনবদা ঙসিগী নহাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু লোয়ননা ঐখোয় পূন্না থৌদাং লৌমিন্নরসি হায়না দি এফ ও থৌবাল দেবলা লাইফ্রাকপমনা মীয়ামদা আপিল তৌখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা থৌবাল রেঞ্জগী মনুংদা লৈবা উ চারা খ্বাইদগী য়াম্না থাদুনা হিংহনবা ঙম্বদা মকোক মথং তারবা ওর্গনাইজেসন অমদি লন্নাই মীওইশিংদসু সাইটেসন অমসুং শেলগী মনা পীদুনা ইকায়খুম্নখি।

ভল্যুন্টরি নেটৱর্ক ফোর গ্রীন আর্থকী কনভেনর লাইশ্রম দেবাননা কুমজা ২০১৫দগী ২০১৯ ফাওবদা পূন্না উ চারা ৪৩০০ থাবগী মনুংদা পাম্বী ৩৮৫০ হিংহনবা ঙমদুনা অহানবা মনা, জে এফ এম সী উয়ালগী প্রসিদেন্ট নিংথৌখোংজম দয়ানন্দনা কুমজা ২০১৭তগী ২০১৯ ফাওবদা উ চারা ১৮০০ থাবদা পাম্বী ১৪০০ হিংদুনা অনীশুবা অদুগা তেকচম মমাঙ লৈকায় পার্ট ৱান দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট লাংপোকলাকপম হেনরিনা কুমজা ২০১৭তগী ২০১৯ ফাওবদা পূন্না উ চারা ৭৫০ থাবদা পূন্না ৫৬০ হিংদুনা অহুমশুবা তাখি।

### ‘লৌমীশিংদা ঈশিং ফংহনবীদুনা লৌ পানবা হৌনরে’

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): খাঙবোক এসেমল্লি কন্সটিট্যুএ-ন্সিগী লৌমীশিংনা ঈশিং ফংদবগী লৌ পানবা য়াদদুনা অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা লাকপদগী বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্না ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা থোকচোম জাদুমনি, খাঙবোক্কী জিলা পরিষদ কে ঐচ রাজমোহোন অমসুং খাঙবোক পার্ট ৱান, টু অমদি থ্রীগী প্রধান্দা লৌমীশিংনা হায়জরুবদগী মখোয়না হোৎনবীদুনা অৱাবা কোকহনবীবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না ফার্মরস সোসাইটি খাঙবোক এসেমল্লি কন্সটিট্যুএন্সিনা ফোঙদোরক্লি।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফার্মরস সোসাইটি খাঙবোক এ সীগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ লৈবাকচাওনা হায়, লৌমীশিংগীদমক বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্না ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা থোকচোম জাদুমনি, খাঙবোক্কী জিলা পরিষদ কে ঐচ রাজমোহোন অমসুং খাঙবোক পার্ট ৱান, টু অমদি থ্রীগী প্রধানশিংনা মতম শাংনা লৌমীশিংদা ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনদুনা লাকপদগী ঙসি ঈশিং ফংহন্দুনা লৌ পান্নবা হোৎনরক্লিবনি। লাইবক থীবদি কনাগুম্বা মশানা মশাবু সোসল ৱার্করনি হায়জবা মীওই খরনা ঙসি ঙরাংখক নলা খরা তেংলগা, লৌখোঙ খরা শেংবা শারগা লৌমীশিংদা ঈশিং ফংহল্লে হায়না সোসল মিদিয়ানচিংবা তোঙান তোঙানবা প্লেটফোর্মশিংদা লান্না শন্দোক্তুনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনরিবা অসি খুদক্তা তোকপীয়ু। মখা তানা অমুক হন্না মীয়াম্বু চমন্নহনবীগনু হায়খি। মহাক্না মখা তানা হায়খিবা খাঙবোক এ সীগী লৌমীশিংগী অৱাবা য়েংবীদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্না ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা থোকচোম জাদুমনিনা মফৌ দাম (থৌবাল দাম) অমদি নোংপোক কৈথেলমানবী দামদা থেঙ্খাং কয়ারক চত্তুনা য়াম্না কন্না ৱাটর রিছোর্সেস লোইশঙগী ওফিসলশিংগা তানদুনা হোৎনবীবদগী খাঙবোক এসেমল্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মনুং চনবা লৌকোল অয়াম্বদা ঈশিং ফংহন্দুনা লৌ পানবা হৌনরে। খাঙবোক্কী লৌকোল অনী, লৌনম্বী লৌকোল অমসুং কৈফা লৌকোলদা ঈশিং ফংবা ৱাৎপদগী টি ঐচ জাদুমনি, জিলা পরিষদ কে ঐচ রাজমোহোন অমসুং খাঙবোক পার্ট ৱান, টু অমসুং থ্রীগী প্রধান্না হোর্স পৱার ২৫গী ৱাটর পম্প সেট শীজিন্নদুনা অমদি ৱাংজিং তুরেলগী দাম অসি থিংগৎতুনা ঈশিং ফংহন্নবসু হোৎনবীরি। অথুবা মতমদা হায়রিবা লৌকোল অনী অসিসু ঈশিং ফংবা ঙল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

### শুমাং লীলা শঙলেন্দা উ পাম্বী কয়া থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা শীন্দুনা ঙসি শুমাং লীলা শঙলেনগী অকোয়বদা উহৈ পানবা উ-চারা কয়া অমদি কেক্রু পাম্বী থাখ্রে।

উ-চারা থাখিবা অদুদা কাউন্সীল অসিগী একাদেমীক সব-কম্মিটিগী চ্যেরমেন ৱারেপ্পা নবনা হায়খি, শুমাং লীলাগী শঙলেন হায়বসি আর্ট এন্দ কলচরদা কত্থোক্লবশিংগী শেংলবা মফম অমনি। ইনভাইরন-মেন্ট কনবা হায়বসিসু য়াম্না মরুওইবা অমনি। ইনভাইরনমেন্ট কন্দবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা উ-চারা থাবনি। মহৌশাগী অকোয়বগী ফীভম কনবদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবা থারিবনি। শুমাং লীলা শঙলেন হায়বসি মীয়াম তীনবা মফমনি। লীলা য়েংবা লাকপা হায়বসি ৱাখলসু পোত্থারিবনি। অশেংবা নুংশিৎ ফংহন্নবা উ পাম্বী থাবনি। আর্ট এন্দ কলচর হায়বসি মহৌশাগা শাগোন্নবা অমনি। শুমাং লীলাগী শঙলেনগী অকোয়বদা উ পাম্বী অমদি হৈরাং-লৈরাংগী মফম ওইদুনা লৈহন্নবা পান্দমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। উ থাবা অদুদা কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট পুর্ণিমাসি লৈমা অমদি সেক্রেটরি এস ঐচ হেমন্তসু শরুক য়াখি।

### ফ্লাইট মঙাদা মীওই ৪২৮ পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): দিল্লি, কোলকটা, গুৱাহাটি অমদি আইজোলদা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা মপান্দা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরগী মীওই ৪২৮ রোম ঙসি তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইটশিংনা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯.১৬ রোম তাবদা (ইন্দিগো ৬ঈ-২৫১) ফ্লাইট অসিনা দিল্লি অমদি গুৱাহাটি ফাওরগা পূন্না পেসেঞ্জর ১৪৪ ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুরকখি। অয়ূক্কী পুং ১১.১৯ রোম তাবদা (এয়র ইন্দিয়া এ আই ৭১৬) ফ্লাইট অসিনা কোলকটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১১ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখি। অয়ূক্কী পুং ১০.৪৫ রোম তাবদা (এয়র এসিয়া আই ৫- ৭৮৩) ফ্লাইট অসিনা দিল্লিদগী গুৱাহাটি ফাওরগা মীওই ১৩২ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি।

নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৮ রোম তাবদা কোলকটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরগী মীওই ১২৭ ইম্ফালদা পুশিল্লকখি। ঙসি নুংথিল পুং ২.০৯ রোম তাবদা আইজোলদগী (এয়র ইন্দিয়া এ আই ৭১৪) ফ্লাইট অসিনা আইজোলদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৪ ঙসি ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। ঙসি তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট মঙাদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখিবা পূন্না পেসেঞ্জর ৪২৮ অদু এয়রপোর্ট মনুংদা মেদিকেল ষ্টাফশিংনা নীংথিনা চ্যেক তৌবা লোইরগা মপান্দা খামদুনা লৈরম্বা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসশিংনা ইম্ফালগী ঘড়ীদা লৈবা ঐচ আর দি একাদেমিদা পুশিল্লগা থমখি। মফম অদুদা চাক পীজরবা মতুংদা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টকী মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা মাগী-মাগী ক্বারন্টিন তৌফমশিংদা অমুক পুরগা চৎখি।

### নাপী হীদাক থক্লুবা নুপী ১ শিরে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কোইরেঙ্গৈগী গোদাউন মনাক্তা লৈবী নুপী অমা নাপী হীদাক থক্লুবদগী ইম্ফালগী রাজ মেদিসিটিদা পুখৎতুনা লায়কন্নরকখিবা অদু ঙরাং নুংথিল পুং ১.৪০ রোম তাবদা লৈখিদ্রে।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মমিং শান্তি রামপাল (৩৮) মপুরোইবা সমজাং রামপাল কৌই। মহাক কৌব্রু লৈখা কুংপেকপীদগী লাক্লগা হৌজিক্না কোইরেঙ্গৈগী গোদাউন মনাক্তা লৈবনি। মহাক্কী মপুরোইবা সমজাং রামপাল গোদাউন অদুগী চৌকিদার ওইনা লৈবা নেপালিনি। হৌখিবা জুনগী ২৮দা শান্তি রামপালনা খঙহৌদনা নাপী হীদাক থক্লুবদগী রাজ মেদিসিটিদা পুখৎতুনা লায়কন্নরবা মতুংদা ঙরাং নুংথিল লৈখিদবনি। মীশি অদুগী মতাংদা হৈঙাং পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা অশিবা হকচাং অদু জে নিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরগা পুলিসনা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী মীদা অমুক খূৎশিন্নখ্রে।

### নুপা ১মশাগী কাদা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্লে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): ককচীং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা পল্লেল লাই মনাই চীংজিন্দা লৈবা নুপা অমা মশাগী তূম্ফম কাগী ফৈরেন্দা থৌরি য়ান্দুনা শিরগা লৈরম্লে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায় লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং ক্ষেত্রিময়ূম অঙাংচা (৪৮) অপোকপা কে এস ঐচ ইবোহল কৌই। মহাক পল্লেল লাই মনাই চীংজিন্দা লৈবনি। থা অসিগী ৫গী নুংথিল পুং ৪.৫০ রোম তাবদা অঙাংচা মহাক্কী তূম্ফম কাগী ফৈরেন্দা থৌরি য়ান্দুনা শিরগা লৈরম্বনি। মীশি অদুগী মতাংদা ককচীং পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু ঙরাং জেনিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌবা লোইরগা পুলিসনা ইমুং মনুংগী মীওইদা মথৌ মঙম পাঙথোক্লুবা শিন্নখ্রে হায়রি।

### শিন্মী অমা লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মরামদগী কিলোমিটর ৩৫ রোম চৎলগা লৈবা শাংখুমৈদা লম্বী শেম্বগী থবক তৌবা ১০০শুবা আর সী ঈ গ্রিফকী শিন্মী অমা ঙরাং নুংথিল পুং ৩.১০ রোম তাবদা থবক শূফমদা ৱাখল তাদনা লৈরম্বদগী খুদক্তা মহাক্না থবক শূমিন্নবা মীওইশিংনা মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নবা হোৎনবদা লৈখিদ্রে।

লৈখিদ্রবা শিন্মী অদুগী মমিং রাম মুন্দা (৪৯) অপোকপা সেনা মুন্দা কৌই। মহাক মাও পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ১০০শুবা আর সী ঈ গ্রিফকী কিফিরাদা লৈবনি। অশিবা হকচাং অদু ঙসি মাও পুলিসনা লৌখৎলগা জেনিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরগা পুলিসনা মরী লৈনবা ইমুং মনুংগী মীওইদা অমুক খূৎশিন্নখ্রে। লোয়ননা মীশি অদুগী মতাংদা মাও পুলিসনা য়ু দি কেস অমসু লৌখৎখ্রে হায়রি।


ADMISSION OPEN
ADMISSION OPEN
INTERNATIONAL MODERNISED ACADEMY
(I.M.A.) REGD. NO. 19 SEPT. 2001
NONGMEIBUNG PURANA RAJBARI
NEAR KUSUM OIL PUMP
(RECOGNISED BY COHSEM)
ADMISSION OPEN FOR CLASS XI SC. OF 2020-21
Direct Admission facilities for all candidates special facilities for 75% and above Class X Exam. of BOSEM
Prospectus & application form can be obtained from the school office during the office hour (10am - 2pm)
For more details contact
9863015419 / 8729983208 / 9615269953
HL-P/7187/25june to 24 july



Delta Advance School
Kwakeithel, Imphal (Affiliated to COHSEM)
Admission for Class XI (Sc. & Arts) through Online/Offline for 2020-21 session
Due to the nCovid-19 Lockdown, the school has given an opportunity to the aspirants of Delta Advance School that
Admission fee will be FREE for 60% & above
Admission fee will be only Rs.1,000 for 45% & above but below 60%
This opportunity is for first 100 students only & ends on 20th June, 2020
For other benefits/facilities, kindly visit Office or website & submit the Original Admit Card for joining Full online Classes.
Website: deltaadvanceschool.com
HL-B/6219/17/6-16/7
Sd/- Principal



NOTICE (REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES)

Fax : 0385-2414625
Phone : 0385- 2414539, 0385-2414629
e-mail : rims@rims.edu.in
website : www.rims.edu.in

REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
(An Autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Government of India)
IMPHAL : MANIPUR

NOTICE
Imphal, the 7th July, 2020

No. B/3333/2020-RIMS:/5903The Walk-in-interview in response of this office Notice of even number dt. 2nd July, 2020 and 6th July, 2020 regarding appointment of Senior Residents (Sports Medicine), RIMS, Imphal to be held on 7th July, 2020 is hereby postponed until further order.

This issues with the approval of the competent authority.

Sd/- K. Doungel
Deputy Director (Admn.),
Regional Institute of Medical Sciences,
Imphal

HL-B/6256/08



FREE ONLINE CLASSES
PHOENIX ENGLISH COACHING
FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM.
PLEASE CONTACT 8974642764
HL-B/3235/27/06 to 26/07



PINEWOOD VIEW SCHOOL
A Co-educational Higher Secondary School
Affiliated to Council of Higher Secondary Education Manipur
SANGAIPROU, OPPOSITE ISKCON TEMPLE, IMPHAL
ADMISSION OPEN FOR CLASS XI-Sc.FOR THE SESSION 2020-21
FOR MORE INFORMATION
Please Visit our website : www.pinewoodviewschool.com
and Office of the School from 9:30 a.m. to 2 p.m.
Contact No. : 8258095173, 8131939779, 6009366329


PRINCIPAL — FOUNDERS — GUEST LECTURERS



L. Somarjit Singh, Retd. Associate Prof. Imphal College, Imphal
L. Kumarjit (BIOLOGY) Former Lecturer, Xtra Edge School
S. Nikunja (MATHEMATICS) Former Lecturer Xtra Edge School
L. Ramananda Singh, Retd. Associate Prof. Chemistry
Ch. Rajendro, Retd. Associate Professor Physics
C. Ibotombi Singh, Retd. H.O.D. Mathematics D.M. College
Kh. Dinokumari Devi, Retd. Senior Lect. English

Faculties

ENGLISH — CHEMISTRY — BIOLOGY — PHYSICS — MATHEMATICS — MANIPURI



Kh. Anjila, Former Lecturer, Xtra Edge School
A. Sangita, Former Lecturer, Xtra Edge School
Meouni L., M.Sc. (D.U) NET (JRF)
Jeetchand S., Former Lecturer, Xtra Edge School
N. Rojesh, Former Lecturer, Xtra Edge School
I. Sures, Former Lecturer, Xtra Edge School
S. Renubala, Former Lecturer, Millennium (MIS)

FACILITIES
- For Rankers : Freeship + Scholarship
- Below Rankers and 85% : Freeship + Scholarship of R 5000/- per month (20 seats only)
- 80% and Below 85% : Freeship (20 seats only)
- 70% and Below 80% : Admission Fee Free (20 seats only)

HL-P/7146/17,18,19,20,21...



/ পেপরগী থোঙদা ওজা
ABDUL HAK পু থাগৎচরি

ঐহাক পাইলসকী অনাবনা খোঙ হাম্বা মরক-মরক্তা ঈ য়াওবা, শৌজগী অকোয়বদা পোমথোরকপা অমদি শোকপদা নাবা, অমাংথোঙদা হাকৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, অমাংথোঙ মপান্দা চাথৎলগা থুপ্পা, মচুম তারকপা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না শাবা, পুক খোংবা, খ্বাং নাবা অমসুং থবাক ফুনবা অসিনচিংবা অনাবশিং অসি মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা লায়েংজরুরে, ফবা লৈখিদে। মমৈথংদা ওজা অবদুল হক Contact No. 8794429681 অমসুং 8014623756কী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী পাইলস মপূং ফানা ফজরে, হকচাং নুংঙাইজরে। মরম অদুনা ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফম :-
1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6 am - 5 pm.)
থাগৎচরিবা : S. Tiken Singh
Khuman Awang
HL-P/7247/08



/ওজা রিয়াজ পাইলসকী ওইনা মণিপুরদা য়াম্না তাঙবা ওজা অমনি



অমুক্তং ওজা কবিরাজ রিয়াজউদ্দিনগী হীদাক চাদুনা পুন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু। মরমদি ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী অৱাবা অসি মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা লায়েংজখি। পৈশাতা তিংখি, অৱাবা অনাবদি ফবা ঙমখিদে। মমৈদা ওজা রিয়াগা থেংনজবদগী ওজাগী হীদাক চাবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী অৱাবা - খোঙ হান্বা য়াদবা, ঈ তাবা অমদি ঈ য়াওবা, চেকখায়রগা শৌজ মপান্দা থুপ্পা-শাবা, শোকপদা নাবা, শৌজগী মনুংদা পোম্বা, ইনখৎত্রিফাওবা চঙউ য়াদবা, অৱাবা নুংঙাইতবা খুদিংমক অসি ঙসিদি মপূং ফানা ফজরে, অনাবা লৈতবগুম তৌরে। মরম অসিনা এৱার্দ কয়া ফংলবা ওজা রিয়াজদ্দিনবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লায়েংফম :-1) North AOC near Central GST Bhavan, Imphal (10:30 am - 4:30 pm)
2) Mayang Imphal Konchak Bazar (6:30 am)
HL-P/7006/08 থাগৎচরিবী : Asim Kamei, Khuman Lampak



/নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি



Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোন্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্তৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - Naorem Ibomcha Meitei
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645
HL-P/7203/27 june to 26 july



পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।